# থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা ৱেথ লিফটিংগী স্পোর্টস একাদেমি অমা লিংবা পাম্মী ঃ সনামচা চনু


সনামচা চনু, ওলেম্পিয়ন লিফটর


কম্মন ৱেল্থ গেমস ১৯৯৮ তা মনা ফংলকখিবা মীকুপ

হান্নগী মখা...

মণিপুরগী ওইনা নুপীগী ৱেথ লিফটিংদা মমিং য়াম্না চৎখিবসিদি ইচে কুঞ্জরানিগা ইচে অনিতাগা মখোয়সিনি। নুপী ৱেথ লিফটিংগী লময়ানবী হায়রগদি ইচে অনীসিনি। ঐসু অহানবদা গেম মখলসি করিনো হায়বা শুকখঙ খঙলক্তে। য়োৎ থাঙ্গৎপা মশান্ননি হায়বদগী হেন্না করিসু উরকখিবা লৈতে। কোন্না খঙলকপা ঙাক্তনি। অদুগা কুমজা ১৯৯২ দা খুমন লম্পাক্কী এস এ জি হোলদা প্রেক্টিশ তৌমিন্নরকখিবা সাই হোস্টেলদা লৈমিন্নরকপা ঐখোয় ১০ অদুসু মণিপুরগীদা নত্তনা ইন্দিয়াগী ওইনা আশা য়াম্না তৌখিবা লিফটরশিং ওইখিবনি। শান্নরোয়শিং অদুদি জিনা, সপনা, নন্সিতা, রোমী, দোলিবালা, মেমীতা, নীংথিলা, শৈনী, মনিতোম্বী, ঐহাক্কা ঐখোয়সিনি।

অমরোমদনা, কুমজা ২০০০ গী সীদনি ওলেম্পিক্কী মমাঙদদি নুপীগী ৱেথ লিফটিং অসি খরা চেকশিন্না কোচিংগসি পীরম্মী। নুপী লিফটরসু

## ৱেথলিফটিংদা মীৎয়েং অমা রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

মশীং য়াল্লম্মী। হান্না মমাঙদা লৈরম্বা ৱেভতু হৌজিক্তি কয়া উবা ফংদ্রে। ইনি দয়াগী স্পোর্টসতা হৌজিক ওইরিবা মশক অসিদি করিসু কম্মেন্ট পীনিংদ্রে। ফেদরেশনগী চৎনবী অসিসু গেম অমগা গেম অমগা ইমান মান্নে। সীদনি ওলেম্পিক অসিদগী (২০০০) ইহান হানবা ওইনা নুপীগী ৱেথ লিফটিং অসি হাপচিনলকখিবনি। ইন্দিয়াগী ওইনা ইহান হান্না মশান্না অসিগী মেদল লৌখিবসিনা কর্নাম মালেশ্বরী দেবীনি। কুমজা ২০০০ গী সীদনি ওলেম্পিক অসিদগী মহাক্না ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখি।

ইন্দিয়াগী ৱেথ লিফটিং অসি চাউখৎনবা ওলেম্পিক্তগী মেদল লৌননবা অজয় মাকেন (স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইরম্বা) নসু য়াম্নদি হোৎনরম্মী। অফ অফবা হান্না শান্নরম্বা, স্পোর্টস পার্সনশিং লৈবাকসিগী শান্ন খোৎনবদা য়াওশিলহন্দুনা হেন্না ঈহৌ কনখৎনবা ফনা য়াম্না চিংশিন্দুনা য়াওহল্লম্মী। অদুবু স্পোর্টসকী অশেংবা মশক খঙদবা খরনা অয়েৎ অপন ওইদুনা অমুক হান্নগী ফীভমদা হেক্তা লাকখি। কর্নাম মালেশ্বরীগসিসু ইন্দিয়ন ৱেথ লিফটিং ফেদরেশন্দা য়াওহন্দুনা ভাইস প্রসিদেন্ট ফাওবা ওইরম্মী। অদুবু মতম খরা পুরল্লগা চমোৎনবা য়াম্না লৈ, হৈনদে হায়দুনা তোকথোরকখি। অদুগা হৌজিক্তি ইন্দিয়াগী নুপী লিফটরশিংগী থাক অসি কদাইদা লৈরিবগে হায়বসিসু য়াম্না কুপশিন্না খঙবা ঙমদ্রে। হান্নদগী হেন্না ফগৎলক্লি হায়বদুদি উদ্রে।

মণিপুর ষ্টেটতগী ঐগী রেকোর্দ থুগাইবা ঙমগনি হায়না খল্লম্বা এন জি সোনিয়া ঙসিদি মহাকসু শান্নবা লোইশিনখ্রে। ওলেম্পিক থাক য়ৌনা শান্নরম্বা (২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্স) অদুগীদি নুংঙাই। অদুবু মাসু ওলেম্পিক মেদলদি লৌবা ঙমখিদ্রে। য়াম্না ফরক্কনি হায়না ঐনা কন্না খল্লম্বা লিফটরশিং রেনুবালা, পোইরৈঙানবী, সোমোরানি ... মখোয়সু শান্নবদগী পোত্থাখ্রে।

হৌজিক ইন্টরনেসনেল থাক্তা, খরা মমিং লৈরিবী অনেম্বা ৱেথ কেটাগোরিগী লিফটর হায়রগদি সঞ্জিতাগা মীরাবাইগা মখোয় অনীসিদা ঙাইশিল্লক্লে। কনা কনা অফবা অঙাং থোরক্লি বগে? শেমগৎপা য়াবা লিফটরনা কয়াম লৈরিবগে হায়বসিসু হৌজিকমক্কী ওইনদি কয়া কন্না খঙদ্রে। ৱেথ লিফটর থোরকপসিসু য়াম্না ৱাৎলে। হৌখিবা চহী খরসিদা নুপী লিফটর থোরকপগী মশীংসিসু খঙহন হন্থরকপগুম তৌরে। মতম অমা মণিপুর ষ্টেটনা টিম চেম্পিয়ন অদুম লৌরম্বদুসু হৌজিক্তি লৌবা ঙমদ্রে। অন্ধ্র প্রদেশনা, পঞ্জাবনা মহুৎ শিনখ্রে।

অদুবু হৌজিকসু গ্রাস রুটতগী ফজনা শেম্বীরবদি ৱেথ লিফটিংসিদদি মফম অদুম কনবা ঙমগনি থাজে। কোয়থি থিদুনা শেম্বীবা অমদি দরকার ওইরে। থিরগদি শান্নবদা চান্নগদবা অঙাং শোইদনা থোরক্কনি । টেলেন্ট হন্টকী প্রোগ্রাম পাক শন্না পাঙথোক্তুনা শেমগৎহৌদ্রবদি মণিপুরদগী অফবা নুপী লিফটর উবা ফংলক্কনি থাজদ্রে।

ঐ ইশাগী ওইনা থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা তৌজগে খনবা থবক ময়াম অমসু লৈরি। ৱেথ লিফটিংগদি ঐহাক লাপথোক্লগে খঞ্জদে। গেম অসি মণিপুরদগী মুৎহনখিবসু পামদে। অদুনা মশান্না অসিখক্তংগী ওইবা স্পোর্টস একাদেমি অমগী অচৌবা মঙলান অমসু মঙজরি। শান্ন-খোৎনবগী ওইবা সার্কল অমদদি পুন্সিসি অদুম হীংজনিংই।

# এ এফ সি ৱিমেন'স ফুটবোল দে পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ০৮ ঃ

এ এফ সি ৱিমেন'স ফুটবোল দেগী থৌরম ঙসি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

এসিয়াগী লৈবাকশিংদা পাক শন্না পাঙথোক্লবগুম ঙসি মণিপুরদসু ৱিমেন'স ফুটবোল দেগী থৌরম য়াম্না চীং লেম্না পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লমদমসিগী মতম অমদা নুপীগী ফুটবোলদা মাঙজিল থারম্বা শান্নরোয় কয়ানা শরুক য়াদুনা ফুটবোল একজিবিসন মেচ পাঙথোকখি।

অম্ফাগী প্রসিদেন্ট পি রঘুমনিনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা পাঙথোকখিবা এ এফ সি ৱিমেন'স ফুটবোল দে থৌরমগা মরী লৈননা মতম অমদা নুপীগী ফুটবোলদা থৱায় হকচাং য়াওনা কৎথোক্লম্বা নুপী ফুটবোল্লর তরাদসু অম্ফানা খুদোল পোৎ পীদুনা ঈকাই খুম্নবা উৎখি।

# ফুটবোল কোচিং কেম্প হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ ঃ

নোর্থ ইষ্ট য়ুথ ওর্গেনাইজেশন (নিয়ো) নোংপোক শঞ্জেনবমনা শিন্দুনা থা ১ চুপ্পা চত্থগদবা ফুটবোল কোচিং কেম্প ঙসিদগী নোংপোক শঞ্জেনবমদা চত্থবা হৌখ্রে।

থা অমা চুপ্পা চত্থগদৌরিবা ফুটবোল কোচিং অসি এ এফ সি 'বি' লাইসেন্স পায়রবা এল দেবচন্দ্র অমসুং এম পহারিনা কোচ ওইদুনা অনৌবা মখলগী ফুটবোলগী টেক্নিক অমসুং স্কিল কয়া তাকপী তম্বীগনি।

লমদমসিদা ফুটবোল মশান্না চাউখৎহনবদা নত্তনা অফবা ফুটবোল শান্নরোয় কয়া থোরক্নবগী পান্দমদা নোর্থ ইষ্ট য়ুথ ওর্গেনাইজেশন (নিয়ো) শঞ্জেনবমনা শিন্দুনা ঙসিদগী চত্থবা হৌখ্রবা ফুটবোল কোচিং অসিদা শান্নরোয়শিংগী মমা মপানা থৱায় হকচাং য়াওনা শরুক য়াখি।

# সন্তোস ত্রোফি ঃ গোৱা, সার্ভিসেসনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



নাগপুর, মার্চ ০৮ ঃ

মহারাষ্ট্রনা য়ূম্লু ওইদুনা মসিগী এস ঈ সি রেলৱেজ ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা ৭০ শুবা সন্তোস ত্রোফি নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী নিংথৌকাবা নুমিত্তা শান্নখিবা মেচতা গোৱানা পঞ্জাবপু ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে। অতোপ্পা চেম্পিয়নশিপ অসিগী মেচ অমদা টামিল নাদুনা বেঙ্গলবু ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

অমরোমদা নোংমাইজিং নুমিত্তা রেলৱেজ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচতা সার্ভিসেসনা মহারাষ্ট্রবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী সেমী ফাইনেল চঙখি ।

এস ঈ সি রেলৱেজ ষ্টেদিয়মদা চত্থখিবা গোৱা অমদি পঞ্জাব অনীগী মেচ অদুদা মতিং থোক্লা শান্নখিবা গোৱানা অয়াম্বা মতমদা পঞ্জাবপু নমহৎতুনা চৎখি। মখোয়না পঞ্জাবকী মায়কৈদা গোল চন্ননবা অতৎ অখম লৈতনা এটেকশিং তৌখি।

মখোয়না তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ১৮ চৎপা মতমদা গোৱাগী ফ্রান্সিস ফর্ণান্দেজনা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। পঞ্জাবসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক মায়োক্লখিবা গোৱাগী সাইদতা এটেকশিং তৌখি। অদুবু ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা অহেনবা অমদি ইক্বেলাইজ তৌগদবা গোল চনবা ঙমদনা লৈনখি।

সেকেন্দ হাফতা পঞ্জাবনা গোল হন্দোক্নবগীদমক মতিং লৈনা শান্নরকখি। অদুবু গোৱানা অকনবা মওংদা থিংখিবদগী গোল চনবা ঙমদনা লৈখি। গোৱাসু মখা তানা গোল অমত্তা মায়োক্লখিবা টিমগী মায়কৈদা চনবা ঙমখিদবনা মেচ অদু ১-০ দা মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখি। অদুগা পঞ্জাবনা টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌখি।

গোৱানা মেচ মায় পাকখিবা অসিনা পোইন্ট তরা ফংবা ঙমদুনা গ্রুপ বিগী মকোক্তা লৈখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী য়ুনিভর্সিটি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা টামিল নাদু অমদি বেঙ্গল অনীনা শান্নরকখি। টিম অনীগী পূক্নিং হুরবা মেচ অদুদা টামিল নাদুনা মায় পাক্তবা য়াদে হায়দুনা অকনবা শক্তি শীজিন্নদুনা বেঙ্গলগী সাইদতা নৈখি।

মখোয়না তৌখিবা এটেকশিংদা বেঙ্গলনা অথিংবা পীবদগী পাক হেক গোল চনবা ঙমখিদে। মেচকী ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা গোল অমা ফাওবা চন্নবা ঙম্নদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফতা টামিল নাদুনা বেঙ্গলগী মায়কৈদা এটেকশিং অতৎ অখম লৈতনা তৌখি। মখোয়গী এটেক অমদা এম সুরাই রাজনা মেচকী মিনিট ৫১ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

টামিল নাদুনা অহেনবা গোলগীদমক মেচকী মিনিট ৬৫ চৎপা মতমদা সুসাই রাজনা ওই থংবা ফ্লেঙ্কতগী কাওরকখিবা বোল অমা গোল পোষ্টতগী ফাক্লা চৎখিদুনা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। বেঙ্গলসু গোল হন্দোক্নবা টামিল নাদুগী মায়কৈদা অকনবা এটেকশিং তৌরকখি।

মখোয়গী প্লেয়র সেষ্টানা মেচকী মিনিট ৭৫ অমদি ইমরান খাননা মেচকী ৪২ চৎপা মতমদা মায়োক্লবা টিমগী মায়কৈদা কাওশিনখিবা বোলশিং গোল পোষ্ট মনুং লানশিনবা ঙমদনা অরেম্বদা তাখি।

মখা তানা টিম অমত্তনা অহেনবা গোল অমদি ইক্বেলাইজ ওইগদবা গোল চনবা ঙমখিদবদগী টামিল নাদুনা বেঙ্গলবু ১-০ দা মায়থীবা পীখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী নোংমাইজিং নুমিত্তা রেলৱেজ টিমনা শান্নখিবা মেচতা সার্ভিসেসনা মহারাষ্ট্রবু ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি। অতোপ্পা মেচ অমদা মিজোরামনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু ৪-১ দা মায়থীবা পীখি।

সার্ভিসেসকী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মেচকী ৯০ চৎপা মিনিটতা ফ্রান্সিস জৌনুনলুঙ্গননা চনখি।

অতোপ্পা মেচতা মায় পাকখ্রবা মিজোরামগী গোলশিং অদু মেচকী মিনিট ৪ চৎপা মতমদা লালথাংথাঙানা গোল অমা, মেচকী মিনিট ৫৯ চৎপা মতমদা মাংশ্বামফেলানা গোল অমা, মেচকী মিনিট ৬৫ চৎপা মতমদা লালদিংঘেটানা গোল অমা অমসুং লালঙুশঙ্গানা মেচকী মিনিট ৮৫ চৎপা মতমদা গোল অমা চন্দুনা জম্মু কাশ্মীরবু মায়থীবা পীখি।

জম্মু কাশ্মীরগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ফরুখ চৌধুরিনা মেচকী মিনিট ৫ চৎপা মতমদা চনখি।




HL-B/2987/1-3March




HL-B/3006/9,15,21,29,4




HL-B/2975/24/2-23/3




HL-B/3002/9,11

# সঙমানা বেমবেমবু অর্জুন এৱার্দকীদমক মমিং পীখৎলমখি

শিল্লোং, মার্চ ০৮ ঃ হান্নগী লোক সভাগী স্পিকর ওইরম্বদা নত্তনা এন পি পিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা লৈখিদ্রবা পুরনো অগিটো সঙমানা মণিপুরগী নুপী ফুটবোল্লর ওইনাম বেমবেম দেবীগী মমিংবু অর্জুন এৱার্দকীদমক রিকমেন্দ তৌরমখি।

সঙমানা হন্দক্তা লৈখিদবা নুমিৎকী হেক মমাঙদা বেমবেমবু অর্জুনা এৱার্দকীদমক মমিং রিকমেন্দ তৌরমখিবনি হায়না এন পি পিগী জেনরেল সেক্রেটরি রেহমন্না ফোঙদোকখি। সঙমাগা তৎতনা লোইনখিবা রেহমনগী মতুং ইন্না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিগা মার্চ ৩ দা বেমবেমবু অর্জুন এৱার্দ পীনবগীদমক অইবা চেরোল অমা সঙমানা খূৎয়েক পীশিল্লমখি হায়রি। হন্দক্তা শিল্লোংনা য়ূম্লু ওইদুনা পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়ন নুপী ফুটবোল টিমবু ও বেমবেমনা লুচিংদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

# লোক্তাক ত্রোফি পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ ঃ নেসনেল হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক পৱার কোর্পোরেশন (এন ঐচ পি সি) না স্পোন্সর তৌরগা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএশন (অমোফা) মোইরাংনা শিন্দুনা ৯ শুবা লোক্তাক ত্রোফি ২০১৬ ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেশন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ থা অসিগী ২৮ দগী মোইরাং মল্টি পর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

# তোনস্না মেমোরিএল সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল

থৌবাল, মার্চ ০৮ ঃ

য়াইরিপোক গ্যাস সার্ভিসকী স্পোন্সর মখাদা বিষ্ণুনহা য়ুথ ফেদরেশন য়াইরিপোক (বি ৱাই এফ ৱাই) না শিন্দুনা চত্থরিবা অহানবা লেট ওইনাম ওংবী তোনস্না দেবী সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ৱাই দি এফ এ অমসুং জে এফ সি মায় পাকখ্রে।

টিম ২০ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা ৱাই দি এফ এনা বি ৱাই এফ ৱাই টিম বি গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা ৱাই দি এফ এগী অহানবা গোল এস অনন্দনা মেচকী ১৮ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল এন ওলেন্না মেচকী ৩৪ শুবা মিনিটতা অদুগা টিমদুগী অহুমশুবা গোল বি ৱাই এফ ৱাই টিম বিগী টি ঐচ প্রেমকুমারনা ওন গোলদা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা বি ৱাই এফ ৱাই টিম বিগী অহানবা গোল খম্বতোন্না মেচকী ৪৯ শুবা মিনিটতা অদুগা টিমদুগী অনীশুবা গোল টি ঐচ প্রেমকুমারনা মেচকী ৫০ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা জে এফ সিনা টুলিহল এফ সি গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা জে এফ সিগী অহানবা অমসুং অনীশুবা গোল ৱাই জুলেটনা মেচকী ৫ অমসুং ৯ শুবা মিনিটতা চনখি। এম ধনঞ্জয়না টিমদুগী অহুমশুবা গোল মেচকী ৪৩ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী মরিশুবা গোল টুলিহল এফ সিগী সাবিরগী ওন গোলদা মেচকী ২৫ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা টুলিহল এফ সিগী গোল অদু রাজাক্না মেচকী ৩০ শুবা মিনিটতা চনখি।